# হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রতিভা পতিলদা মেক্সিকোগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ পীরকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

ফোরেনরশিংদা পীবা মেক্সিকোগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ– 'ওর্দেন মেক্সিকানা দেল এগ্যুইলা এজটেকো' (ওর্দর ওফ দ এজটেক ইগল) ঙসি ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রতিভা পতিলদা পীরকখ্রে।

পুনেগী এম সি সি আই এ ভবনদা পাংথোকপা অখন্নবা থৌরম অমদা ইন্দিয়াদা মেক্সিকোগী এম্বেসেদর মেলবা প্রিয়ানা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট (২০০৭–২০১২) ওইদুনা ইতিহাস ওইখিবা প্রতিভা পতিলদা এৱার্দ অদু খুৎশিন্নখি।

প্রতিভা পতিল (৮৫)না এৱার্দ অসি ফংবা অনীশুবা ইন্দিয়ান হেদ ওফ ষ্টেটনি। মসিগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা প্রসিদেন্ট এস রাধাকৃষ্ণনদা এৱার্দ অসি পীরকখ্রে।

ফোরেনরশিংগীদমক মেক্সিকোগী খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ অসি মেক্সিকান নেসন নৎত্রগা হ্যুমেনিটিদা পীবা শীংথানিঙাই ওইবা মখোয়গী থবকশিং, মেক্সিকো অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগগী মরক্তা লৈনবা মরী কনখৎহন্নবা শীংথানিঙাই ওইবা থবকশিং অদু শকখঙদুনা পীবনি হায়না ওফিসিয়েল ৱারোল অমনা হায়খি।

রোয়েল ইগলনা মেক্সিকোগী নেসনেল এনিমেলনি, থায়নগী এজটেকশিংনা উচেক অসিবু অশেঙবনি হায়না লৌনৈ অমসুং মসি মেক্সিকোগী ফিরানদা নেসনেল এমব্লেম ওইনা য়াওই।

১৯৯৩দা মতমদুগী মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট এবেলারদো এল রোদ্রিগেজনা থোকপা দিক্রি অমনা লিংখৎখিবা এৱার্দ অসি লৈবাক অসিদা নৎত্রগা মসিগী মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অচৌবা থবকশিং তৌখিবা মরুওইবা মীওইশিং, ষ্টেট নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী শক্লাইরবা মীওইশিং অমসুং মেক্সিকোদা থবক তৌরকখ্রবা এম্বেসেদরশিংদা পী।

এৱার্দ অসি কোল্লার, সাস ওফ স্পিসিয়েল কেটেগোরি, সাস, প্লেক, ভেনেলা অমসুং ইন্সিগ্নিয়া হায়না দিগ্রি ৫ থোক্লা খায়দোকই।

তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংদা এৱার্দ অসি হান্না ফংখ্রবশিংগী মনূংদা নোবেল লোরেট অমরত্য সেন, মমিং চৎলবা আর্টিষ্ট ছতিস গুজরাল, ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট রঘুপতি সিংহানিয়া, মুম্বাইদা মেক্সিকোগী কনসুল জেনরেল রাজু শ্রোফ অমসুং অতৈশিং য়াওরি।

# মক্কা সম্মিটনা পেলেষ্টিনিয়ানশিং শৌগৎখ্রে, ইরানগা উংখৎনবা মরক্তা সাউদিবুসু শৌগৎখ্রে

***মক্কা, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

ইরানগা উংখৎনরিবশিংগী মতাংদা রিজনেল এলাইশিংনা সাউদি অরাবিয়াগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা, ইজরেলগী মিচংদা লেপকনি হায়না চীংনরিবা য়ু এসনা লূচীংবা শান্তিগী থৌরাং অমগী মাঙওইননা সাউদি অরাবিয়ানা যুম্বু ওইদুনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা শীনবা ইস্লামিক সম্মিট অমনা পেলেষ্টিনিয়ানশিংবু শৌগৎখ্রে।

হোলি সিটি মক্কাদা পাংথোক্লিবা ইরানগী মতাংদা মীৎয়েং থম্বা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা সম্মিট, ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসন (ও আই সি)গী ৱারী শান্নবশিং অদুদা গল্ফ অমসুং অরব লূচীংবশিংনা য়ু এসনা মখোয়গী এম্বেসিবু জেরুসালেনদা হোংজন্নবা অমসুং গোলান হায়টসতা ইজরেলগী সোভরেন্টিবু রিকগনাইজ তৌনবগী চয়েৎনবা খোঙথাং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

ইরান অমসুং টরকি লূচীংবশিং ময়েক শেঙনা শরুক য়াখিদবা সম্মিট অদুনা জেরুসালেম সিটিদা দিপ্লোমেটিক মিসনশিং হাংদোক্লকখিবা লৈবাকশিংবু বোইকোট তৌনবা ও আই সি মেম্বরশিংদা অপিল তৌখি।

চহী কয়াদগী লৈরকখিবা বাই পার্টিসান পোলিসিবু থুগাইরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ২০১৭গী দিসেম্বরদা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কোনূং ওইনা রিকগনাইজ তৌখি।

কোন্না থা অসিগী মনূংদা বহরেনদা পাংথোক্কদৌরিবা কনফরেন্সতা ট্রম্পকী মতম শাংনদগী ঙাইরক্লবা মিদল ইষ্ট পিছ প্লানগী ইকোনোমিক্কী ফিভমশিং অদু মহাক্কী মমাক নুপা জারেদ কুসনেরনা থৌরাং তৌরকখিবগা ও আই সিগী ষ্টেটমেন্ট অসি থোক্লকখিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা চহী চা অসিগী দিল অদুনি হায়না ফোঙদোক্লক্লিবা প্লান অদু মহাক অতাক –অফোঙননা ইজরেলগী মীচংদা লৈরে উৎপনি হায়না থৌরাং অদু পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা হান্ননা য়াখিদ্রে।

মেম্বর ৫৭ লৈবা ও আই সিনা ইরানগা ৱাংনা উংখৎনরক্লিবা সাউদি অরাবিয়াবু শৌগৎখি। গল্ফ রিজনদা টেরোরিষ্ট এটেকশিং অদুনা গ্লোবেল ইনরজি সপ্লাইদা খুদোঙ থিহল্লক্কনি হায়না কিং সলমাননা ৱার্নিং তৌখি। অদুবু অদুগুম্বা এটেকশিং অদু মখোয়ননি হায়বদু টেহরাননা কন্না য়াখিদ্রে।

মরুওইবা ও আই সি সম্মিট অদুদা টরকিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ এরদোগান মশা য়াওখিদ্রে। ইরানগা অনকপা মরী লৈনরিবা রিজনেলগী অচৌবা শক্তি লৈবা টরকিনা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা মীফম অসিদা থারকখি। মীফম অসিদা ইরানসু শরুক য়াখিদে।

# হোন্দুরাসতা য়ু এস এম্বেসি মৈ থানবা হোৎনরম্লে

***হোন্দুরাস, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

হোন্দুরাসতা পব্লিক সেক্টর রিফোমশিংগী মায়োক্তা চখরকপা মীয়ামগী দেমোনষ্ট্রেসনশিংগী মনূংদা মায়খুম উপ্পা প্রোষ্টেটরশিংনা ঙরাং হোন্দুরাসতা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মৈ থানবা হোৎনরম্লে।

ডাক্তরশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিং লিশিং কয়ানা হেল্‌ঠ অমসুং এদুকেসন সেক্টরশিংবু প্রাইভেটাইজ তৌনবগী থৌরাং তোক্লবা গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌদুনা লম্বী সরকশিংদা থোক্লকখি অমসুং য়ু এস এম্বেসিগী গেট অদু মায়খুম উপ্পা প্রোটেষ্টরশিংনা মৈ থাখি।

# সুস্মা স্বরাজগী খোঙ্গুল লীক্লমদা চৎপা ফঙজবা অসি চাওথোকচনিঙাইনি হায়না ডা এস জয়শঙ্করনা শিংথাখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

ঙরাং ইরাই নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটরনেল এফিয়ারসকী থবক পুবা হৌখ্রবা মতূং ঙসি অয়ুক মহাক্কী অহানবা ত্বিটতা লৈবাক অসিগী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টর ডা. এস জয়শঙ্করনা মহাক্কী মমাঙদা ফোরেন মিনিষ্টর ওইরম্বী অমসুং সেনিয়ার বি জে পি লিদর সুস্মা স্বরাজগী খোঙ্গুল লীক্লমদা চৎপা ফঙজবসি মহাক্কী চাওথোচনিঙাইনি হায়খ্রে।

চিনা, য়ু এস, পাকিস্তানগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা লৈনবা মরীশিংদা পাকশল্লবা হৈশিংবা লৈরবা কেরীয়র দিপ্লোমেট অমা ওইরিবা ডা. জয়শঙ্করনা মসিগী লূম্লবা দায়ত্ব পীদুনা ঐবু ঈকাইখুন্নবীরে হায়খি।



মসি পূন্নমক্কীদমক নখোয়বু থাগৎচরি হায়না মহাক্না হায়খি।

মীয়ামগী অচৌবা রাই অমগা লোয়ননা অনীশুবা তার্ম অমগীদমক খল্লকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিৎতা চীংলেন্না ফজরবা থৌরম অমদা ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টর ৫৭কী মনূংদা মহাকসু অমনি।

ডা. জয়শঙ্করগী মমাঙদা ফোরেন এফিয়ারসকী ফম পুখিবী সেনিয়ার বি জে পি লিদর সুস্মা স্বরাজবু খুদোঙ চাদবা অমসুং অৱাবগী পাউ খুদিংমক্তা মহাক্কী পাউখুমগীদমক শকখন্নে। মহাক অমনসু–অমনসু ৱারী শান্নবা অমসুং পাউ ফাওনবা লায়না ফঙবা ফোরেন মিনিষ্টর অমা ওইবগী ইতিহাস অমা থল্লমই।

মহাক্কী অহানবা ত্বিট অসিগী মতূং হেক থুনমক ডা. জয়শঙ্করনসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ফ্রান্স অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদগী থারকপা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী পাউজেলশিংগী পাউখুম পীখি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি অনৌবা ফোরেন এফিয়ারস মিনিষ্টর ওইরবা ডা. এস জয়শঙ্কর পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইদ্রি।

# টালিবানদা অথুবদা সিজফয়ারগী ৱা লৈত্রি, ৱারী শাননবগীদমক্তি থোঙ হাংদোক্তুনা থল্লি

***কাবুল, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

টালিবানননা হৌজিক্কী তাঙ্ককতা অথুবা মতমদা সিজফয়ার অমা তৌননবগী ৱাফম লৈত্রি হায়না গ্রুপ অসিগী লূচীংবনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ইঙ্গিৎ পীখ্রে, অদুবু য়ু এসকা ৱারী শাননবগীদমক্তি থোঙ হাংদুনা থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



মাঙলোমদা চংশিনবগী মমি থোইনা ফংদবা অমসুং অফগানিষ্টানগী মফমশিংদা মখা তানা ঈ তানরিবা, লোয়ননা গাটারদা হৌখিবা থাদা য়ু এসনা লূচীংলগা ৱারী শানখিবগী ৬শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক লোইশিনখ্রবা মতূংদা টালিবান লূচীংবা হায়বাতুল্লাহ অখুন্দজাদা তগী তাঙলবা পাউজে অসি থোক্লকখিবনি।

মুস্লিমশিংগী অশেঙবা থা রামদানগী অরোইবা ওইবা ইদ ফেষ্টিবেল মাঙওইননা পীবা মেসেজ অমদা অখুন্দজাদানা দাইলোগ অমসুং নেগোসিয়েসনশিংগী থোঙ হাংদোক্তুনা থল্লক্লি অমসুং হৌজিক্কী তাঙ্কক অসিদা টালিবান নেগোসিয়েসন টিমনা অমেরিকাগী নাকনগা নেগোসিয়েসনশিং চথরি হায়খি।

হৌখিবা থাগী অঙনবদা রামদান হৌবদা অফগান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘনিনা লৈবাক পূম্বগী সিজফয়ার তৌনা ৱাফম অমা হৌদোকখি অদুবু মদু টালিবাননা য়াখিদে। হৌখিবা চহীদা টালিবাননা ইদকী মতাংদা নুমিৎ হুম্নিগী সিজফয়ার অমা পাংথোকখি অমসুং চহী কয়াগী লান অমসুং হীংশানা চোকথরবা অফগানশিংনা হন্দক্কী চহী অসিদসু অতোপ্পা সিজ ফয়ার অমগী আশা তৌরকখিবনি।

অদুবু টালিবান লূচীংবা অখুন্দজাদানা হায়খি– জিহাদকী মৈ চাক্লিবা লানফমশিংদা ঐখোয়না অইংবা ঈশিং হৈজিনগনি নৎত্রগা ঐখোয়গী পান্দমশিং য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়গী চহী ৪০গী কখোকপশিং অদু কাওগনি হায়বসি কনামতনা অশা তৌরন্নু।

# সেন্টরগী ড্রাফ্ট এদুকেসন প্লানগী মায়োক্তা 'নমদুনা হিন্দি তমহনবা তোকউ' হায়বা প্রোটেষ্ট তৌনরকখ্রে




*অনৌবা ঐস আর দি মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়াল নিশাঙ্কদা ড্রাফট এদুকেসন পোলিসি ২০১৯ খুৎশিন্নবা*

***চেন্নাই, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

সেন্টরদা লৈরিবা অনৌবা গভর্ণমেন্টতা নহান থাগৎখিবা ড্রাফ্ট এদুকেসন পোলিসি অমা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা মেসেজশিংনা ত্বিটরদা পীকথনখিবগা লোয়ননা ঙসি থাংজ নুমিৎতা সোসিয়েল মেদিয়াদা মীয়ামগী কেম্পেন অমদা হিন্দিবু স্কুলশিংদা ৩শুবা লোল অমা শোয়দনমক ওইহনবা হায়বদু তৌরোইদবনি হায়খ্রে।

মতম শাংনগী মমাঙদগী হৌনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইদুনা লাক্লিবা তমিল নাদুদগী পোলিটিসিয়ানশিংনা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন 'ইস্রো'গী হান্নগী চীফ কৃষ্ণশ্বমি কষ্টুরিরঙ্গননা লূচীংবা এক্সপার্ট পেনেল অমনা হিন্দদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা রিকোমেন্দেসনশিং অদু য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা মকোক ওইখি।

১৯৬৮তগী হৌনা স্কুলশিংদা চৎনরকখিবা 'থ্রি লেংগ্বেজ ফোরমুলা' অদু মখা তানা চৎনহনখিগদবনি, ফাউন্দেসন ষ্টেজদগী হৌরগা অঙাংশিংবু ঙল্লিঙৈদগী লোল ৩ অসি হৌজিক তমহল্লগদবনি হায়না ড্রাফ্ট নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি ২০১৯না হায়রি। পোলিসি অসিবু মীওই কয়ানা ক্লাস ৮ ফাওবা নমদুনা হিন্দি তমহন্নবা হোৎনরকপা অমনি হায়না লৈনরি।

ত্বিটর শিজিন্নবশিংনা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা পাউজেলশিং থাগৎনরক্তুনা সোসিয়েল মেদিয়াশিং পীক থনখ্রে।

তামিল নাদু স্কুল এদুকেসন মিনিষ্টরনা অনৌবা পোলিসি অসি ষ্টেট অসিদা থিংগনি হায়খি। তামিল নাদুনা লোন অনীগী পোলিসি অদুখক্তমক চৎনগনি। তামিল নাদুদা তামিল অমসুং ইংলিস খক্তমক চৎনগনি হায়না সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী চৎমিন্নবা খোঙলোই অমসু ওইরিবা এ আই এ দি এম কেগী কে এ সেনগোত্তইয়াননা হায়খি।


ষ্টেট অসিগী ওপোজিসন পার্টিনসু খোঞ্জেল অমত্তা ওইনা পোলিসি অসিগী মায়োক্তা লেপ্লি। নমদুনা হিন্দি চৎনহনবগী মায়োক্তা ঐখোয়না লৈগনি। ঐখোয় লোন অমত্তগী মায়োক্তা লৈবা নৎতে হায়না দি এম কে পার্লিয়ামেন্টরিয়ান কানিমোঝিনা হায়খি।

এম দি এম কে লিদর ভায়কোনসু লোনগী লান অমগী ৱার্নিং তৌখি। এ এম এম কে লিদর টি টি ভি দিনাকরননা হায়খি, হিন্দি ঙাংদবা ষ্টেটশিংগী মথক্তা নমদুনা হিন্দি ঙাংহন্নবা হোৎনবা অসিনা লৈবাকসিগী প্লুরেলিজমগী মশক অদু মাঙ–তাকহল্লগনি। মসিনা হিন্দি ঙাংদবশিংবু সেকেন্দ ক্লাস সিটিজনশিং ওইহল্লগনি।

এক্তরদগী পোলিটিসিয়ান ওইরকখিবা কমল হাসননা হায়খি, ঐহাক্না হিন্দি মুভিশিংদা কুমখি। অদুবু কনাগুম্বা অমনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী মথক্তা কৈদৌনুংদা নমফু তৌরোইদবনি। মখোয়না তন্নিংবা লোন অমা খনবা হায়বসি মীওই অদুগী অপাম্বগী মখা পোল্লি। তামিল নাদুগী মীয়ান্না মখোয়গী জাৎকী লোন থাদোক্লোই অমসুং অতোপ্পা লোন অমত্তা য়ারোই হায়বসি ঐনা তশেঙনমক থাজে হায়খি।

ইন্দিয়াগী অতৈ লোনশিংদগী হেন্না হিন্দিবু হেন্না মরুওইহন্নবগী হোৎনরকপা খোঙথাংশিংগী মায়োক্তা তামিল নাদুনা মতম কুইনগী মমাঙদগী লেপলক্লি।

# হায়ৱে প্রোজেক্ট পূন্নমক চহী ৩গী মনূংদা মপূং ফানা লোইশিনগনি ঃ নিতিন গাদকারি



***নাগপুর, জুন ১(এজেন্সি)ঃ***

লম্বী শেম্বগী থবক নোংমদা কিলোমিটর ৪০দা হেনগৎলগনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা হায়ৱে প্রোজেক্ট পূন্নমক মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা চহী ৩গী মনূংদা মপূং ফানা লোয়শিল্লগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঐহাক্না লম্বী –থোংগা মরীলৈনবা থবক কয়ামুক তৌখ্রে। মথঙ চহী অহুমদা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগা মান্নবা ঐখোয়না উপাম্বী ক্রোর ১২৫ থানবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌরে হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

ঐখোয়না হায়ৱে প্রোজেক্ট পূন্নমক চহী ৩গী মনূংদা লোয়শিনগনি। হৌজিক নোংমদা কিলোমিটর ৩২ শেন্নবগী থল্লিবা টার্গেট অসি হেনগৎহন্দুনা নোংমগী লম্বী কিলোমিটর ৪০ শেন্নবগী তার্গেট মপূং ফানবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকীসু মিনিষ্টর ওইরিবা মিষ্টর গাদকারিনা মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা লৈবাক্কী গ্রোথ রেট হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অচৌবা থাজবা থল্লি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী নীংজরিবা আশা অসি মপূং ফাহন্নবগীদমক ঐহাক্না ঙম্বমখৈ থবক কন্না হোৎনগনি হায়খি। জল শক্তি দিপার্টমেন্ট অমসুং রিভর কন্নেক্টিভিটিগী মিনিষ্টরশিংদা মহাক্না মথৌ তাবা শৌগৎপা পূন্নমক পীগনি হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

মে ৩০দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা মিষ্টর গাদকারিনা মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি নাগপুরদা ঙসি থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা থুংলখিবনি।

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 874/SDC/P of 2019*

Thingbaijam Surchand Singh S/O (L) Th. Amumacha Singh Top Awang Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Thingbaijam Amumacha Singh S/O (L) Tolmu Singh Top Dusara

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 30/5/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. **38-Top Dusara** গী Patta No. **4** (অরিবা) **279/1285** (অনৌবা) C.S. Dag No. **135/861** an area **.1483** acre of **Anganphou** Class লম অসিগী Pattadar Thingbaijam Amumacha Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/RP*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 875/SDC/P of 2019*

Thangjam Manikumar Meitei S/O (L) Th. Mangi Singh of Kongba Laishram Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Thangjam Mangi Singh S/O (L) Th. Ningthou Singh of Kongba Laishram Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 30/5/2019*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. **33-Kongba Nongthombam Leikai** গী Patta No. **52** (অরিবা) **83/224** (অনৌবা) C.S. Dag No. **76/175** an area **.115** acre of **Ingkhol** Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

*SL/RP*

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-139**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | 4 | | | 1 | | 5 |
| 3 | 4 | | | 2 | | | 7 | |
| | 5 | 2 | | 9 | | | 4 | |
| 2 | | 9 | 1 | | 4 | | | |
| | | 5 | 6 | | 2 | | | 9 |
| | 6 | | | 7 | 5 | 2 | | |
| | | 4 | | | 9 | 5 | | |
| | 7 | | | | | | 9 | 2 |
| 6 | | | 2 | | | 7 | | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas**
Booking : 17/04/19
Sl. No. : 4330
Valid : 15/04/19
Sl. No. : 3691
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 25/04/19
Valid : 17/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 15/05/19
Valid : 10/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 25/04/19
Valid : 21/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 19/04/19
Sl. No. : 700
Valid : 15/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**J. Rongmei SK Indane**
Booking : 14/04/19
Valid : 12/04/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 06/05/19
Valid : 02/05/19
Stk : 576

**সনা–সুদোকু – ১৩৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 5 | 2 | 6 | 8 | 9 | 4 | 3 |
| 2 | 4 | 6 | 3 | 9 | 7 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 5 | 1 | 2 | 7 | 6 |
| 5 | 2 | 9 | 1 | 3 | 6 | 4 | 8 | 7 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 8 | 4 | 5 | 2 | 9 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 2 | 9 | 6 | 3 | 1 |
| 8 | 5 | 2 | 6 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 |
| 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 2 | 8 | 6 | 5 |
| 9 | 6 | 4 | 8 | 7 | 5 | 3 | 1 | 2 |

